# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, DECEMBER 26, 2019 PAGE 7




*দিকেদ অসিদা পুন্না ৱিকেট ৫৬৪ লৌদুনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইবা ঙল্লিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রবিচন্দ্রন আস্বীন*

*নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি–পোজিসন্দা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিল*



## দেবিদ ৱিলিয়মসগী গোলনা এ টি কেনা বেঙ্গালুরুবু ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



*কোলকটা, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সি) ঃ*
ইন্দিয়াগী ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি কোলকটাদা লৈবা ভিভেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা দেবিদ ৱিলিয়মসকী অমত্তা ঙাইরবা গোলনা য়ুম্বু টিম এটলেটিকো দি কোলকটানা বেঙ্গালুরু এফ সিবু ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহানবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইরিবা এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্খদুনা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেকশিং অদু বেঙ্গালুরুগী দিফেন্স লাইন অদু য়াম্না ফজখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি। বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনসু খুদোংচাবা হেক ফংবগা এটলেটিকো দি কোলকটাগী মায়কৈদা এটেক তৌদুনা গোল চনশিনবা য়াবা খুদোং চাবা থিদুনা লাকখি।

টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা য়াম্না লম্বা মান্নরা শান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৭শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইরিবা এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা খোঙৌলে থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী শান্নরোই জায়েস রানেনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট দেবিদ ৱিলিয়মসনা বোল অদু নীং থিনা কলেক্ট তৌরগা বেঙ্গালুরুগী গোলকিপর গুরপ্রিত সিংহ সান্ধুবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোই রাহুল বেকেনা ইক্কেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোং চাবা অমা ফংখিবা অদু এ টি কেগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নখিবদগী মায় পাকপা ঙমখিদে।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি। অমরোমদা এ টি কেগী শান্নরোইশিংনসু অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি এটলেটিকো দি কোলকটানা বেঙ্গালুরুবু ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা বেঙ্গালুরুগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা ফজদুনা মকোক থোংবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা লীগ মেটচ অমদা চেন্নাইন এফ সি অমসুং এফ সি গোৱা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২২ কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সি) ঃ*
কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা চাওনা ফংখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ২০২২ দা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংহামদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা সুট্টিং মশান্না অসি লৌথোকখিবনি। কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ফেদরেসন্না ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্দা ফোরমেল ওইনা প্রপোজেল পীশিল্লক্লবসু খঙহনখ্রে।

কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২২ গী য়ুম্বু ওইবগী প্রপোজেল পীশিনবগী মতম অসি মথং চহীগী জনুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ফেদরেসনগী স্পোর্টস কম্মিটিদা ফংহনগদবনি। য়ুম্বু ওইবগী বিদ অসি একজিক্যুটিভ কম্মিটিনা অয়াবা পীদ্রিঙৈদা ওইগদবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা তারি।

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ফেদরেসন অমসুং ইন্টরনেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) না থা অসিগী ৫ দা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন অফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) গী প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিংহসু শরুক য়াখি। মহাক্না কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু ওইবদা অপাম্বা উৎখিবনি।

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিংহনা লৈবাক অসিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লম্বা অদুগী মতুং ইন্না ইংদিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রদা চিঠি ইদুনা খঙহনখিবনি।

আই এস এস এফ অমসুং এন আর এ আই অনীগী ৱাফম অদুদা শৌগৎলদুনা য়ুম্বু ওইবগী মতাং অসিগা মরী লৈননা প্রপোজেলগী চে অদু পীশিনবগী থবক অদু কয়াম খুম্মাং চাওশিল্লবগে হায়না কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ফেদরেসনগী চীফ লোইস মার্টিননা নরিন্দর বত্রদা চিঠি ইদুনা খঙহনখি।

এন আর এ আইগী প্রসিদেন্ট রানিন্দরনা চিঠি ইদুনা কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু ওইবগী প্রপোজেল অদু করম্না পীশিনগনি হায়বগী মতাংদা খঙহনখি। য়ুম্বু ওইবগী ৱাফম অসি আই এস এস এফনসু মপুং ফানা শৌগৎলক্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোকখিবদা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক অসিগী সুট্টরশিংনা ফংলকপা মেডলশিং অদু ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বিরমিংহাম কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী মেডল টেল্লিদা হাপচিন্নবগীদমক সি জি এফকী চীফ মার্টিন অমসুং সি জি এফ কী সি ই ও দেবিদ গ্রেভেমবর্গনা মমাঙ থাদা ইন্দিয়াদা লাক্লম্বদা আপিল তৌখিবনি।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না বিরমিংহাম গেমস অসিদা সুট্টিংগী দিসিপ্লিন য়াওহন্দ্রবদি ইন্দিয়া গেমস অসিদগী ৱিদ্রো তৌরগনি হায়না খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি। মতম অদুদা নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা মার্টিন অমসুং গ্রেভেমবর্গনা মখোয়গী মত ফোঙদোক্লমখিদবনি।

মতম খরা লৈরগা বত্রনা ফোঙদোকখিবদা কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক অসিনা ফংলকপা মেডলশিং অদু বিরমিংহাম গেমস অসিদা হাপচিল্লোইদবা ওইরবদি কম্মনৱেল্‌ঠ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদসু ইন্দিয়া শরুক য়াররোই হায়খি।

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ফেদরেসন্না বত্রদা চিঠি ইদুনা হিরম অসিগী মতাংদা হকথেংননা মখোয় য়াওশিল্লোই। ইশু অসি আই এস এস এফ অমসুং রাইফল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী অপুনবা প্রপোজেল অদুনা লেপচসনু লোয়ননা ষ্টেক হোল্ডরশিংগসু উন্নদুনা মখোয়না পামজরিবা খুদিংমকসু ফংনবা হায়না সি জি এফকী মায়কৈদগী বত্রদা চিঠি ইদুনা খঙহনখিবনি।

## ইন্দিয়াগী মোহমদ সামীনা চহী অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ও দি আইগী বোল্লর ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সি) ঃ*
ও দি আই ক্রিকেটকী পুৱারীদা ৫শুবা ওইনা ইন্দিয়াগী বোল্লর মোহমদ সামীনা চহী অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখ্রে।



ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর মোহমদ সামীনা ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী চৎলিবা চহী অসিদা পুন্না ৱিকেট ৪২ লৌবা ঙমদুনা কুমজা ২০১৯ গী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লরগী মিংথোল ফংখিবনি।

মহাক্ন ঙসি ও দি আইগী বোল্লিংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখিবা অসি থারগা ফোর্মেট অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী বোল্লর অমনা মালেমগী বোল্লরশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা ঙমখিবা ৫রকশুবা ওইখি।

কুমজা ১৯৮৬ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কপিল দেবনা ৱিকেট ৩২ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। কুমজা ১৯৯৮ দা অজিত অগারকরগী ৱিকেট ৫৮, ২০০৪ দা ইরফান পথানগী ৱিকেট ৪৭, ২০১৪ দা মোহমদ সামীনা ৱিকেট ৩৮ অমসুং চহী অসিদা মোহমদ সামীনা ৱিকেট ৪২ লৌখিবা অসিনি।

মোহমদ সামী ইন্দিয়াগী মমাঙদা শান্নরোই ওইরম্বা সুনিল গবাস্করনা য়াম্না পামজবা বোল্লরনি। মোহমদ সামীনা হন্দক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল সেরিজ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়ানা সেরিজ লৌবদা চাওনা মতেং পাঙখিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী ওফ স্পিন বোল্লর রবিচন্দ্রন আস্বীননা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতা দিকেদ অসিগী খ্বাইদগী য়াম্না ৱিকেট লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ থমখ্রে।

ইন্দিয়াগী বোল্লর রবিচন্দ্রন আস্বীননা দিকেদ অসিদা ফোর্মেট অহুমক্তা পুন্না ৱিকেট ৫৬৪ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি। ইংলেন্দগী বোল্লর অনী জেমস এন্দরসন অমসুং ষ্টুৱার্ট ব্রোদনা মথং শিৎনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লৈবা ঙল্লি।

## রেলৱেজ অমসুং কেরলাগী নুপীশিং মায় পাকখ্রে

*লুধিয়ানা, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সি) ঃ*
পঞ্জাবকী সিটি লুধিয়ানাদা লৈবা গুরু নানক দেব ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭০শুবা নেসনেল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা রেলৱেজ অমসুং কেরলাগী নুপী টিমশিং মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নেসনেল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কেরলানা য়ুম্বু পঞ্জাবপু পোইন্ট ৭০–৩০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মেটচ অসিদা কেরলাগী শান্নরোই পি এস জিনানা পোইন্ট ২১, পি জি অঞ্জনানা পোইন্ট ২০, ষ্টেফি নিক্সোননা পোইন্ট ১২ অমসুং কভিথা জোসনা পোইন্ট ১১ স্কোর তৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টেলঙ্গানানা মহারাষ্ট্রবু পোইন্ট ৬৯–৩১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা টেলঙ্গানাগী শান্নরোই দিভ্যানা স্কোর ৩১ তৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

নুপীগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা দিল্লিনা ছাটিসগরবু পোইন্ট ৭৩–৪৪ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ 'এ' দা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মায়থিখিবা ছাটিসগরগী শান্নরোই সঙ্গিথা কৌরনা স্কোর ২৩ তৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই ওইবা ঙমখি।

## বেনোই পাইরে অমসুং আইভো কার্লোভিস য়াওরগনি

*পুনে, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সি) ঃ*
মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা টাটা ওপন মহারাষ্ট্র টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ফ্রান্সকী শান্নরোই বেনোই পাইরে অমসুং মমাঙ চহীগী রন্নর্স অপ ক্রোএসিয়াগী আইভো কার্লোভিস শরুক য়ারগনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা ফ্রান্সকী শান্নরোই বেনোট পাইরে এ টি পি ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ২২শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। মহাক কুমজা ২০১৬ দা কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা ১৮শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। মহাক্না কুমজা ২০১৮ দা এ টি পি টাইটল লৌবা ঙমখি। মমাঙগী ইদিসন্দা বেনোট পাইরে ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননি সিজন অসিদা শরুক য়াররোই। ৱিম্বলদনগী মমাঙদা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী শান্নরোই ফিলিপ কোলস্ক্রেবরদি অহানবা ওইনা টাটা ওপন অসিদা শরুক য়াগনি। মহাক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ১৬শুবদা লৈবা ঙল্লি।

## কোর্টনা পোলিসি শেমগদবা নত্তে, স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা তৌগদবনি ঃ রিজিজু

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সি) ঃ*
স্পোর্টসকী চৎন–পথাপকী মতাংদা কোর্টনা পোলিসি শেমগদবা নত্তে, শান্নরোইশিংগী হেন্না ফজবা পোলিসি শেম্বগী থবক পূম্নমক অসি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা তৌগদবনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



স্পোর্টস মিনিষ্টরনা মকা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৭ দা স্পোর্টসকী চৎন–পথাপশিং অদু শান্নরোই অমমমখক্কী য়েংলগা শেল্লম্বনি। অদুবু হান্নগী মওং অসি হোংদোক্তুনা হৌজিক্তি ষ্টেটশিংগী ওইনা শেমদুনা হিরম কয়াদা অশোনবা লৈরিবশিং অদু মতম চানা শেমদোকহৌনবগী খুদোংচাবা ফংলে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

স্পোর্টসকী চৎন–পথাপকী মতাংদা মিনিষ্টর কিরেজ রিজিজুনা মখা তানা হায়, ঐহাক্না স্পোর্টসকী চৎন–পথাপ খঙদ্রিবা মীয়ামদা মাঙজৌননা নোটিশ পীদুনা খঙহনখ্রে মসিদা মখোয়গী মত পীবগী খুদোংচাবা লৈরি। শান্নরোইশিংনা স্পোর্টসকী কোদ খঙবনা অহানবা প্রাইওরিটিনি। মসিদা ইন্দিভিজুয়েল স্পোর্টসশিংগী ওইনদি খুদোংচাদবা কয়া থেংনগনি, ষ্টেট খূদিংমক্না তোঙান–তোঙানবা খুদোংচাদবশিং লৈরি, পূম্নমকশিং অসি থিদোকপদা হৌজিক্তি অরাইবা অমা ওইরগনি হায়না ঙসি রিজিজুনা পাউগী চেনেল অমদা ফোঙদোকখি।

২০১৭ গী স্পোর্টস কোদকী মতুং ইন্না শান্নরোই খূদিংমক্না চৎন–পথাপশিং পূম্নমক খঙবগী মথৌ তাই। অদুবু মসি ওইথোক্তে, শান্নরোইশিংনা চৎন–পথাপশিং খঙদনা কোর্টতা চৎলি হায়না রিজিজুনা হায়খি।

স্পোর্টসকী চৎন–পথাপ মমুৎ তানা খঙদবদগী কোর্টতা চৎপা মতমদা খুদোংচাদবা ময়াম অমা থেংনরি, শান্নরোই খূদিংমক্না স্পোর্টসকী চৎন–পথাপশিংগী মরমদা ফজনা খঙবা ঙম্লবদি মখোয়না সুপ্রিম কোর্টতা চৎপা য়াই অমসুং ৱারী শাবা য়াই। মিনিষ্ট্রিনা মাঙজৌননা খঙহনখ্রে মদুদি ঐখোয়না পোলিসিশিং অসি শেমগদবনি অদুগা মতুংদা কোর্টকী এপ্রুভ মথৌ তাই। কোর্টনা পোলিসি শেল্লোই হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তাখি।

## নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা হরিয়ানাগী সুট্টরশিংনা মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা দোমিনেট তৌখ্রে

*ভোপাল, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সি) ঃ*
মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা চথরিবা ৬৩শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা হরিয়ানাগী সুট্টরশিংনা মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ৩ লৌদুনা দোমিনেট তৌখ্রে।

নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা সেনিয়রগী মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা হরিয়ানাগী টিম অভিসেক ভর্ম অমসুং য়াস্বিনি সিংহ দেসৱালনা পোইন্ট ১৬ স্কোর তৌদুনা গোল্ড লৌখি।

কেটেগোরি অসিদা মহারাষ্ট্রগী টিম হরসাদা নিথাভে অমসুং অনিকেটনা পোইন্ট ১০ দা সিলভর মেডল ফংলগা এয়র ইন্দিয়াগী টিম দিপক শর্ম্ম অমসুং অন্নু রাজ সিংহনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী জুনিয়র সেক্সনদা হরিয়ানাগী মনু ভাকর অমসুং সারাবজোট সিংহনা গোল্ড মেডল লৌখি। পঞ্জাবকী খুসসিরাট অমসুং অর্সদিপ বাঙ্গানা সিলভর মেডল ফংলগা উত্তর প্রদেশকী টিম সারভান কুমার অমসুং হিমান্সিনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী জুনিয়রগী সেক্সনদা হরিয়াগী টিম সিভ নরৱাল অমসুং সিখানা পোইন্ট ১৬ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। মহারাষ্ট্রগী টিম অজিনক্য চাভান অমসুং জানহাভি দেসমুখনা সিলভর মেডল লৌখি অদুগা উত্তর প্রদেশকী মোনুকুমার অমসুং দেভান্সিনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

৬৩শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি–পোজিসন্দা অঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ৪৪৯.৯ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা গায়াত্রি নিথিয়ানান্দমনা পোইন্ট ৪৪৭.৩ স্কোর তৌদুনা লৌখি অদুগা নিসচালনা পোইন্ট ৪৩৪.৩ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। টিম ইভেন্টতা পঞ্জাবনা পুন্না পোইন্ট ৩৪৬৭ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। হরিয়ানানা পোইন্ট ৩৪৬৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন অদুগা মহারাষ্ট্রনা পোইন্ট ৩৪৬২ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি–পোজিসন অসিগী জুনিয়রগী সেক্সনদা নিসচালনা পোইন্ট ৪৫১.৯ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। আয়ুসি পোদ্দরনা পোইন্ট ৪৫১.১ দা সিলভর অদুগা প্রাসিদ্ধিনা পোইন্ট ৪৩৬.১ দা ব্রোঞ্জ লৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৮০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | L | A | P | ■ | S | T | R | U | T | ■ | O | P | A | L |
| P | U | R | E | ■ | T | H | I | G | H | ■ | C | A | N | E |
| A | C | M | E | ■ | R | I | F | L | E | ■ | C | L | A | D |
| D | E | A | N | M | A | R | T | I | N | M | U | L | L | ■ |
| E | N | D | ■ | U | P | S | ■ | ■ | ■ | A | R | M | O | R |
| S | T | A | B | S | ■ | T | A | W | N | Y | ■ | A | G | A |
| ■ | ■ | ■ | R | I | G | ■ | G | O | O | ■ | A | L | U | M |
| ■ | R | O | Y | C | L | A | R | K | G | A | B | L | E | ■ |
| N | O | U | N | ■ | E | W | E | ■ | O | R | B | ■ | ■ | ■ |
| O | P | T | ■ | M | E | L | E | E | ■ | E | A | R | T | H |
| D | E | B | R | A | ■ | ■ | ■ | M | A | N | ■ | A | R | A |
| ■ | B | R | U | C | E | L | E | E | M | A | R | V | I | N |
| R | U | E | D | ■ | L | O | R | R | E | ■ | O | A | F | S |
| B | R | A | D | ■ | A | L | I | G | N | ■ | O | G | L | E |
| I | N | K | Y | ■ | N | A | K | E | D | ■ | K | E | E | L |


**SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL**

**POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL**

Recognised by the BOSEM & COHSEM

**ADMISSION OPEN**

**FOR THE ACADEMIC SESSION 2020**

**FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII**

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL-5587/6 Dec + 15 Days